# পোষ্ট হার্ভেষ্টিং মেনেজমেন্টকী হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱ্বেয়র্নেস চেলেপ ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তেংনৌপলি ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা চেলেপ ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পোষ্ট হার্ভেষ্টিং মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর স্কিমশিংগী মতাংদা এৱ্বেয়র্নেস পীখ্রে।

প্রমোসন ওফ সষ্টেনেবল ওর্গানিক কল্টিভেসন ফোর ইকনমিক ইনহেন্সমেন্টকী মখাদা মশৌচীং ফার্মরস প্রদ্যুসর কম্পেনি (এম এফ পি সী)শিংগী ওইবা ট্রেনিং কম এৱ্বেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদুদা পি এস লেভিদ অনাল, সবজেক্ট মেটর স্পেসলিষ্ট (হোর্টিকলচর), কে ভি কে চান্দেলনা শীং, য়াইঙং অমসুং চম্প্রা থাদুনা শেন্দোং লৈনা কমদৌনা য়োনগনি অমদি ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন কমদৌনা হেনগৎহনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা মশৌচীং ফার্মরস প্রদ্যুসর কম্পেনিগী মেম্বরশিংদা ৱাখল তাহনখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম এৱ্বেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা মশৌচীং ফার্মরস প্রদ্যুসর কম্পেনিগী দি এস এস এস ফিল্ড এসিষ্টেন্স কাপেসিং সৈয়াওনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর ওর্গানিমক মিসন এজেন্সী (মোমা)গী মখাদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম)গী তেংবাঙগা লোয়ননা চেলেপ খুলদা অমদি খুন্থংননা লৈরিবা মশৌচীং ফার্মরস প্রদ্যুসর কম্পেনি অসিগী মেম্বরশিংগী ইমুং-মনুংশিংদা ওর্গানিক ওইবা য়াইঙং, শীং অমদি চম্প্রানচিংবা পোৎলমশিং অসি থাদুনা পুথোক্লবা হোৎনবগী শরুক অমনি। এম এফ পি সীগী মেম্বরশিং অসিদসু ট্রেনিং পীদুনা অমদি এৱ্বেয়র্নেস পীবগী মথৌ তাই হায়না ঙসিগী অসিগুম্লবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইনবগীদমক হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয়গী মায়কৈদগীসু লৈঙাক্কী লৈরিবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা পান্দমদা থবক থৌরমশিং অসি পাঙথোরকপনি। হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা থবক তৌগদৌরিবা মীওইশিংদা সাইন্টিফিক ওইবা মতমগা চুনরবা পোৎ থাবগী কাঙলোন তাকপী তন্বীবগা লোয়ননা মতৌ করম্না মার্কেটিং তৌগদগে হায়বসিসু খঙমিন্নদবা য়ারক্তবনা অসিগুম্বা ট্রেনিং কম এৱ্বেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

## কবুই লোলগী দিসকোর্স পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :
কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা মার্চ ১৯, নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা কৈশামথোং কবুই খুলগী কম্যুনিটি হোলদা কবুই ফুরুপকী ওইবা কবুই লোলগী দিসকোর্স অমা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা কবুই ফুরুপকী ওজা, অহল-লমন অমদি অখঙ-অহৈশিংনা লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে অথোই কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ঈশৈ ফাংনবা

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা মার্চ ১৮দগী ২০ ফাওবা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা ঈশৈ ফাংনবা (ফেষ্টিভেল ওফ সঙ্কীর্ত্তন-অরিবা পালা, মনোহর সাই, নট-সঙ্কীর্ত্তন) সগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা শ্রীশ্রী গোপাল দেব মান্দপতা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী গুরু লৈমপোকপম লাকপতিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী এন টিকেনসু শরুক য়াগনি। নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা সঙ্কীর্ত্তন গ্রুপ তরুকলোম্না শরুক য়াগনি হায়রি।

## গোল্ডন জুবিলি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :
উদয় বাবা বারুনি মেলা ২০২৩ গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন লাক্লিবা মার্চ ১৯দগী ২৪ ফাওবা হোজাই অসামগী উদয়পুরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নুমীৎ তরুক্নি চুপ্পা পাঙথোক্ক-দৌরিবা উদয় বাবা গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনগী থৌরম অসিদা উদয় বাবা শিব মন্দির কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এন চন্দ্রহাসনা ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোক্কনি। মদুগী মতুংদা ত্রিনাট কম্পিটিসন অমদি থাবল চোংবনচিংবা হৌদোকপা নুমীৎ অদুদা মপুং ওইনা পাঙথোক্কনি। নুমী নীনি চনবা মার্চ ২০গী অয়ুক পুং ৮দা শিব ভজন পাঙথোক্লবা মতুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর্স ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রমেন কে শরত, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পাঙম্বম প্রেমানন্দ, মণিপুর ৱিমেন এসোসিএসন অসামগী প্রসিদেন্ট এম চাওবীহল, অপূনবা নুপী খুন্নাই হোজাইগী প্রসিদেন্ট ওইনাম নিভারানিনচিংবনা চীফ গেষ্ট, স্পেসল গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা থৌরম অদু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা সনা লৈপাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসন ইম্ফালগী শুমাং লীলা অমসু শান্নগনি। মার্চ ২১ হুম্নী চনবা নুমীৎতনা আমানা স্পোন্সর তৌদুনা নুমীদাংৱাইরম পুং ৭ তাবা মতমদা তম্ফা ম্যুজিকেল নাইট অমসু পাঙথোক্কনি। লোয়ননা মার্চ ২২দনা লোকেল কলচরেল সো অমদি থাবল চোংবনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মার্চ ২৩ অমসুং ২৪দসু তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

## থাংজম শান্তিনা এৱার্দ ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):
য়ং ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন (ৱাই দব্লিয়ু ঐচ ও)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবী লোয়ননা নুপীগী পুন্সি হায়বা থাগী চেফোঙগী এদিটর এদভোকেট থাংজম শান্তিনা খুন্নাইসিগী নুপীশিংগীদমক্তা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙলদুনা বহুজন সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া)না বেষ্ট সর্ভিস সোসাইটি নেসনল এৱার্দ পীরকপদা হরাও নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ৱাই দব্লিয়ু ঐচ ওগী সেক্রেটরি এম মানবী লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এদভোকেট থাংজম শান্তি লমদম অসিদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইগী থৌদাংদা মপুং ওইবা থবক কয়া তৌবদা নত্তনা নুপীগী অৱা-অনা কয়াগী তেংবাঙবনচিংবা থবক থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অৱাবা তারবা নুপী-নুপা কয়াগী অৱাবদা শন্তায়বনচিংবা থবকশিং তৌদুনা খৎন-চৈনবশিংবু কম্প্রোমাইজ তৌহন্দুনা খুন্নাই অসিদা নুপী-নুপা অনীগী মরক্তা ঈং-তপ্পা লৈনমিন্ননবা হোৎনরকপা মীশক অমনি। মঙোন্দা অসিগুম্লবা এৱার্দ পীরকপা অসি থাংজম শান্তি অমদি ওর্গনাইজেসন অসিনা পাঙথোক্লিবা লাক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু লৈবাক মীয়াম্না মশক খঙবীবনি হায়রি।


নাচোম এদু ফাউন্দেসন
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT

CONGRATULATIONS
MANIPUR TOPPER (JEE MAIN) JAN.SESSION, 2023



AYEKPAM LANKHOMBA
(XII appearing student)
Secured 98.18% tile in 1st attempt

Under the guidance of well experienced faculties




Registrations Open Now for
45 Days Crash Course for JEE (Main) April Session, 2023
Commencing from 20th February (First Batch) & 14th March (Second Batch), 2023

For more details
Contact : 9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/S L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal
HL-B/8071/16,17,18,19,20


নাচোম এদু ফাউন্দেসন
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT

REGISTRATION OPEN
FOR 45 DAYS
Crash Course for NEET, 2023
Commencing from 20th March, 2023 | Time - 10:00 am to 4:00 pm

Special Features :

| | | | |
|---|---|---|---|
| Physics | 28 Chapters | 40 Classes | 28 Tests |
| Chemistry | 32 Chapters | 40 Classes | 32 Tests |
| Biology | 38 Chapters | 40 Classes | 38 Tests |

5 MEGA MOCK TESTS
Under the guidance of our well experienced faculties




For more details
Contact : 9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/S L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal
HL-B/8071/16,17,18,19,20

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নুপাবু শক খঙবীবা নুমীৎ-হজবেন্দ এপ্রিসিয়েসন দে।

চহী অমগী মনুংদা লৈরিবা নুমীৎ চহুম হুম্ফুমঙা অসি, তশেংনা কূপ্না থিজিল্লুরবা... মীওইবনা থাপালোন (ক্যালেন্দর) পুথোকখিঙৈদগী য়েংবা হৌরুবা থোক্লবা, নুমীৎ খূদিংমক নীংশিংনীংঙাই ওইবা থৌদোকমক্তনা পিক-থন্না লৈরম্নি। পি এস সুন্দরেসন কৌবা ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন (এ আই বি ঈ এ)গী লিদর অমনা চহী খরগী মমাঙদা 'ইভরি দে ইজ এ আই বি ঈ এ দে' হায়না মিংথোনবা ক্যালেন্দর অমা পুথোকখি। কোপী লাখ কয়া য়োনখিবা, তাঙলবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইখি। এসোসিয়েসন অসিগী শাংলবা ইতিহাস (এপ্রিল ২০, ১৯৪৬-মপোক নুমীত্তগী হৌরগা)- লামায় তরানিথোইদুদা ময়েক শেংনা লীরকখি। অসুম্না, মণিপুরগী ওইবা মীৎয়েংদগী, নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ওইবা/মালেমগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংলবা- চহী অমগী নুমীৎ চহুম হুম্ফুমঙা, নীংশিংনীংঙাই ওইবা কাউঙমদবা নুমীৎঙাক্তা ওইরমগনি।

কুম্মৈ-হরাও-ঈরাংনা থল্লবা মার্চ থা অসিদা অতোপ্পা, নীংশিংনীংঙাই ওইবা করি নুমীৎ লৈরিবগে? গুগলদা চঙদুনা থিরুবদা থেংনরকই- মার্চ ১৫, হজবেন্দ এপ্রিসিয়েসন দে ! নুপী (য়ুম পাল্লবী)শিংনা মাগী মাগী নুপা/পুন্সি খোঙলোয়/মৱা/হজবেন্দশিংবু নীংশিংদুনা, মথম্মোয়না থাগৎপা নুমীৎ। মথম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাখল-ইথিল অদুনি চীনবাম্থোঙদা থোরক্লিবা, নৎত্রগা, ৱাহৈ ওইনা ইথোক্নরক্লিবা ৱাহৈ ওইনা মীওইবনা। মালেমগী শক্ল ইরবী, ফাওদ্রিৎ-ফাওবী কনামত্তনা মাগী পুন্সি-খোঙলোয় অমত্তবু নীংশিংদুনা, নুংশিনা শোল্লম্বা ৱাহৈ পরেং অমত্তসু 'কোতেসন' ওইনা কোখোক্তুনা ইরম্বা থেংনদে। শৈশকপীশিংনা শক্লম্বা ঈশৈশিংগী ঈশৈ ময়েক, নুংশিবনা থল্লবা ৱাহৈ পরেংশিংদি থেংনৈ মশীং খঙদনা। ৱাহৈশিংদুদি অতোপ্পা শৈরেংবা অমগী খুৎশেম ওইবনা মহাক্কী মথম্মোয়গী খোম্থোক্লি লৌবা য়ারোই, ৱারেংসিদা ইনীংদে। অদুবু, মমিং চৎপা অফাওবা নুপাশিংনা হায়রম্বা ৱাহৈ খরদি থেংনৈ, হজবেন্দ এপ্রিসিয়েসন- দে'সিগা মরী লৈনবরা খন্দুনা নীংশিংজবনি। 'নুংশিনরিঙৈ মতমদদি অঙকপনা থল্লিবা তাইবংসি... অদুবু, লুহোংলবা মতুংদদি ঙক্লকই- তৌরি'সিবু করিনো'... (অমেরিকান বিজিনেসমেন, ষ্টীভ-জোবস)।...'লুহোংবা হায়বসি ফজরবা উমং অমনি, মফমদুদা থৌনা ফরবা নোংশা কয়া শকহেনবী শজীশিংনা ইরায় লায়না হাৎলিবা'... (একাদেমী এৱার্দ অনী ফংখ্রবা অমেরিকান ফিল্ম এক্টর অমসুং প্রোদ্যুসর, ব্রেদ পিট্ট)। অমেরিকান প্রসিদেন্ট ওইরম্বা 'বরাক ওবামা'না হায়রম্মী... 'য়ুম্বানমিন্নরিবা নুপী অমনা মাগী নুপাবু ঙাকপীগদৌরিবসি, মহাক মশানা লাল্লে হায়বা খঙলক্লবা মতম অদুদখক্তনি'...। অমেরিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট 'অল গোরে'নসু হায়রমখি... 'নুংশিনরম্বা নুপা-নুপী অনীনা লুহোংলবা মতুংদদি, শেল ময়েক অমগী তোঙান তোঙানবা মমায় অনীদু ওইরকই... মখোয় অনী অমগা অমগা শেত্তোক্লবা য়াদ্রবসু কৈদৌঙৈদা মায় ওনশিন্নবদি য়াদ্রবা'...! ঈংবা-তপ্পা, মরা তাবা, নুংঙাই-য়াইফবা খুন্নায় অমনি শোন্নরিবা অমেরিকাগী মমিং চৎপা মীওই খরনা হায়রম্বা ৱা খরা পুথোক্তুনা লাম্থোকচরিবসি- 'হজবেন্দ এপ্রিসিয়েসন দে' (নুপাশিংবুসু মাগী নুপীনা থাগৎপীবা নুমীৎ) অমা পালন তৌগদবনি হায়বা ৱাখলসিগী মরু হুনখিবা লমসিদা 'হজবেন্দ'শিংবু কয়ামুক ৱাংবা, ফিদম্নিংঙাই ওইবা মফম অমদা থম্বীরমগদগে হায়বদু ৱাখলসিনা লামদুনা শান্নরুবদা খল্লকপনি।

অদুগা, মফম মতম নাইদবা অচুম্বা ৱাফম, য়ুনিভর্সেল ট্রুথ অমত্তংগা নীংশিংসি। নুংশি-ৱারী থুপচিল্লমদাই, পুন্সি-লৈপুন শেল্লমদাইদা নুপানা নুপীদা হায়বা চৎনরকই... লায়র'-মচা ওইরবসু নহাকপুদি রানীগুম্না থমগনি'...। নুপী-মপাদসু হায়গনি 'নচানুপীসি নুংঙাইনা থমগনি, করিমত্তা ৱাৎহল্লোই'। অসিগুম্বা ৱাহৈ অমত্তা ওইগী লমদাঙ ওইবী মঙোন্দগীদি থোরক্লোই। মরমদি- নুপী ওইবী মহাক্তি ওইদবা ঙাঙদে, তাৎ হৈতে। লুহোংলবী নুপী অমনা মঙোল্লোমদা মাগী নুপাগী ৱাখল চিংশিল্লকপা পাম্লবা- থাজবীয়ু, মহাক্কী মায়থোঙ লাংশিল্লক্কনি, অৱা শকপুনরক্কনি। অদুগা, নুপা অমনা করিগুম্বা, মাগী নুপীগী পূক্নিং-ৱাখল চিংশিন্নীংলবা, মহাক মায়থোঙ মকা লাম্বা তাই, ফুরিৎখাউদু থলহনবা তাই, নুংঙাইবা মতৌ উৎপা তাই।

ইহে, ৱাসি ৱাকোই তারব্রা? নুমীত্তুবুদি হৌখরে। নোংমতা ঙায়রি, কুইখিদ্রি। চীংলৈবাক্লি হায়নর'সু, অনৌ-অপেন-অহোংবা য়ৌদবা লৈতবা লমদমনি, ঐহাক্কুম্না অদোমসু 'হজবেন্দ' হায়বদু ওইরম্লবা করিগুম্বা, অদোমগী 'ৱাইফ'কী মচীন্দগী মার্চ ১৫ য়ুমশকৈশা নুমীত্তুদা, চীনবান খোইহী তৈরবা নুংশি ৱাহৈ অমবু হায়রকখিবা লৈবরা? থাজদে ঐ, হায়রক্লম্লোই। ঐগী মরুপ অমদা নীংশিংলুবনি হাইফেত্তং। খুম্লকখি 'অদুগুম্বা নুমীৎপু লৈবরনে তশেংনা... লৈরবদি অমুক্তং তাকপীরম্মু ঐগী নুপীদা... হোরেন নুমীদাং চাক-চারমদাইদা মানা বলি লোল্লকপদু হয়েং তমগে নঙোন্দা'...। তম্লুখিদে ঐ। মচা-মমৌ-মমাঙদা নুপাদুদা নুপীনা পীরক্কদবা ৱাহৈগী নুংশি খুদোলদু ৱাখলসিনা তাবা ফংখি। মেত্রিক'খক্তমক পাস তৌখিবী 'লতাম্না'- মাগী নুপানা পায়রিবা এল এল বি দিগ্রীদু মঙোন্দা খুৎশিন্নরমগদবনি। শিনফম ওন্নবা হায়'দুনি। মহাক্তগী ৱা নত্তে, ঐনা খঙজবা লমদমসিগী মতৈ মনাও অয়াম্বা, ঐহাক ইশামক্কীসু য়াওনা, 'হজবেন্দ এপ্রিসিয়েসন-দে' নুমীৎ অসি মশক খঙনা পালন তৌরম্নি থাজদে। নুমীৎসিগী সিগ্নিফিকেন্স লমদমসিদা লৈরম্লোই। লৈরম্লোই খনবদুননি- ৱারেং অসি ইনীংলুরিবা।

'ঐঙোন্দা অফবা-ইমা অমত্তং পীয়ু, মালেমসিবু খুদুম চনগে'... নেপোলিয়ন'না হায়রম্মী হায়দুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী তাহল্লকখি নাকোংসিদা। 'নাউশুম হাইরিবা মমাগী খুৎ অদুনা মালেমসিবু ঙাক্লিবনি' হায়বা পাউরৌ অমসু শেমগৎলম্মী নুপাশিংনা। মপাগী থৌদাং শৈথাবা ৱাহায়দি মালেম শীন্না খঙনবা অমত্তবু লৈরম্লোই। অদুননি অহলশিংনা তাহল্লকখিদবা নাকোংসিদা।

মালেমসিদা 'মমা' হায়বদু লৈরকখিবা মীকুপ্তগী 'মপা' হায়বদুসু লৈরক্লবনি। অনীসিনা থানবা য়াদ্রবা মপাঙ হায়বদু ওইরগনি মচাশিংবু মীথোয় মীহেন ওইনবা শেম্লিবা। অমগী থৌদাংদা অমদগী হেনবা নত্তে। অদুনবু হায়নরম্লিবনি... 'নুপানা য়ুম শারবসু, য়ুমদুদা ইমুং অমা লীংলিবদি নুপীনি' (মেন মেকস এ হাউজ, বত, ইত ইজ ৱুইমেন দেত মেকস ইত এ হোম)।

নুংগী য়ুগকী মতমদগী নুপানা শা তাল্লগা মতু-মচা থাকপগী থৌদাং লৌরকপনা, মালেমগী মফম অয়াম্বগী কলচর'দা 'ব্রেদঅর্নর' (ইমুং থাকপা)গী থৌদাংসি নুপাশিংনা লৌনরকই। অদুবু, মতমগী খোঙজেল তুংইন্না, ঙসিদি নুপীশিংসু নুপাশিংগা লেং-মান্নবা থৌদাং য়ারক্লে। রত্নাকরনা লুত তৌরগা মতু-মচা থাক্লম্বগী পাপ, মতু অমসুং মচাশিংদি পুবা ঙম্লোই হায়রকপদু তাবদগী থৌদাং অদু থাদোক্লগা, মশাদু লৈশৌনা চাবগী থাক ফাওবা লাই নীংদুনা অতোপ্পা শিনফম থিখিবগী ৱারীদু নীংশিংই। চহী অমগী মনুংদা নোংমতদি মাগী নুপাবু থাগৎপগী থৌদাং মচা অমত্তংদি য়াবীয়ু হায়বদা য়ানীংদ্রিবা নুপীশিং ! ঐদি ঙকই- করি লাইনা শারকপনো মখোয়বু !

মমি ৱারী

## নেপাল

### মোইরাংথেম লোইয়া



